Refreshingly Reliable
HL
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

মণিপুর ইন্টরনেসনল টেক্সটাইল এক্সপোগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা হেন্দলুমস এন্দ টেক্সটাইলস স্কিমস দেগী থৌরম

লামায় ১

থৌবাল দি সী ওফিসকী কমপ্লেক্সতা লৈবা কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকপা নেসনল ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন দে ২০১৮ হৌদোকপা থৌরমগী শক্তম

লামায় ৫

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী কেবিনেট হোলদা পাঙথোকখিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৮গী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মীফম

লামায় ১

ইন্দো নেপালিজ ওল ৱিমেনস মাউন্ট এভরেষ্ট এক্সপিদিসন চহী ২৫ মপুং ফারকপগী লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা সিলভর জুবিলীগী থৌরম

লামায় ৩

Vol. 42, Issue No.231 | য়ুমশকৈশা, হিয়াঙ্গৈ ৭নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, November 14, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

MEDITLANE
Medilane Ambulance number
8723004849
7085244123
7085396969
7005022100
These AMBULANCE NUMBERS are available 24x7 for emergency and accident.

জুবেনাইল হোমদা থৌরী য়াল্লগা শিরল্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ : থা অসিগী ২ দগী তাকয়েলগী জুবেনাইল হোমদা লৈরকখিবা নুপামচা অমা থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লে হায়রি। লৈখিদ্রবা নুপামচা অদু ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মফম অমদগীনি। মহাক কেস অমগা মরী লৈননা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

থৌ পুহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩ : য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অনন্ত কুমার লৈখিদ্রবা মতুংদা দি ভি সদানন্দ গৌদা অমসুং নরেন্দ্র সিংহ তোমারদা অহেনবা পোর্টফোলিওশিং পায়হনখ্রে। ষ্টেটিষ্টিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসন মিনিষ্টর গৌদাদা মিনিষ্ট্রি ওফ কেমিকেলস এন্দ ফর্টিলাইজর অমসুং রুরেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর তোমারদনা মিনিষ্ট্রি ওফ পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্সকী থৌ পুহনখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৪.৯২ °C	১৩.০৮ °C
চান্দেল	২৫.৯০ °C	১৩.৩০ °C
সীসীপুর	২৭.৭২ °C	১২.০৭ °C
ইম্ফাল	২৮.৭৬ °C	১১.০৬ °C
সেনাপতি	২৬.১৮ °C	০৮.১৫ °C
তমেংলোং	৩৩.৯৭ °C	১২.৮০ °C
থৌবাল	২৭.৮৮ °C	১৩.৪৯ °C
উখ্রুল	২২.২২ °C	০৯.২৪ °C
মণিপুর	৩৩.৯৭ °C	০৮.১৫ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৮ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৭
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	81.795539
US Dollar	72.574667
British Pound	94.034058
Australian Dollar	52.283822
Chinese Yuan Renminbi	10.432269
Japanese Yen	0.636985
Malaysian Ringgit	17.311797
Australian Dollar	52.283822
Singapore Dollar	52.555277
South Korean Won	0.064031
Saudi Arabian Riyal	19.353245
Thai Baht	2.200195
Myanmar Kyat	0.04523
Bangladesh Taka	0.86623

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 31775.40
Mumbai	–	Rs 32791.44
Delhi	–	Rs 32459.89
Kolkata	–	Rs 32930.48

HL POLL

Q : Nouna shemjinba houkhraba Traffic signal lightsing tungkoina chatkani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Meerepsing criminal record lotshinba yahandanaba ECI gi thourang mai pakkani khanbra?

Yes 29% No 71%

অস! লোইরেহে!

কোয়লাস কায়রে, কার লোংলে,
ঠিকাদার ফূসে ভায়...!

ꯀꯣꯏꯂꯥꯁ ꯀꯥꯏꯔꯦ, ꯀꯥꯔ ꯂꯣꯡꯂꯦ,
ꯊꯤꯀꯥꯗꯥꯔ ꯐꯨꯁꯦ ꯚꯥꯏ...!



সিগী ঠিকাদারদি নখোয় বাবানি...!

ꯁꯤꯒꯤ ꯊꯤꯀꯥꯗꯥꯔꯗꯤ ꯅꯈꯣꯏ ꯕꯥꯕꯥꯅꯤ...!

মণিপুরগী লালহৌলূপ ৮গী মথক্তা থম্বা অথিংবা চহী ৫ শাংদোকখ্রে

খাঙো কোনয়াকনা লুচিংবা এন এস সী এন-কেনা সেন্টরগা সিজ ফায়র তৌনদুনা ৱারী শানবগী ৱাফম অয়াবা পীখ্রে।

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

মণিপুরদা খুৎলায় পায়দুনা লান হৌরিবা তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপ ৮ গী মথক্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অথিংবা থল্লম্বদু চহী ৫ শাংদোকহনখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা থোকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা লোগী মায়োক্তা লৈবা থবক থৌওংশিং মখা তানা পায়খৎলকপগীদমক লালহৌলূপ ৮ গী মথক্তা থম্বা অথিংবগী মতম শাংদোকহনখিবনি।

ইন্দিয়াদগী তোখায় তাগনি হায়না খুৎলায় পায়দুনা লান হৌরিবা লূপশিং অসিনা পান্দম ফংনবগীদমক সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিংগী মথক্তা এটেক চথদুনা লাকখি। অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী মখাদা অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলূপশিং অদুদি, পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ), মসিগী পোলিটিকেল ৱিং ওইরিবা রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ), য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ), মসিগী খুৎলায় পায়বা ৱিং ওইরিবা মণিপুর পিপলস আর্মি (এম পি এ), পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) অমদি মসিগী খুৎলায় পায়বা ৱিং রেদ আর্মি, কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) অমদি মসিগী খুৎলায় পায়বা লান্মী রেদ আর্মি, কংলৈ য়াওল কন্না লূপ (কে ৱাই কে এল), কোওর্দিনেসন কম্মিটি (কোরকোম) অমসুং এল্লাইয়েন্স ফোর সোসলিষ্ট য়ুনিটি কংলৈপাক (অসুক)নি।

অমরোমদা, খাঙো কোনয়াকনা লুচিংবা এন এস সী এন-কেনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা সিজ ফায়র লাউথোক্লদুনা ৱারী শাননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

লূপ অসিনা থাদোরকখিবা চেরোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, সেন্টরনা নাগা মাদরস এসোসিএসন অমসুং নাগালেন্দ গাউন বুরাহ ফেদরেসনগী খুথাংদা পাউ পীরক্লুনা সিজফায়র লাউথোক্লবগী ৱাফম খঙহল্লক্লে। সেন্টর, ষ্টেট লৈঙাক অমসুং নাগা মীয়াম্না আপিল তৌরকখিবগী মতুংইন্না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা অমুক হন্না সিজফায়র লাউথোক্লদুনা নাগা পোলিটিকেল ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরগনি।

এন এস সী এন-কে মচেৎ তাদ্রিঙৈদা কুমজা ২০১৫ গী মার্চতা সিজফায়রদগী খোঙফম হন্দোকখিবগা লোয়নন্না থেংখাং কয়ারক্তা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লদুনা লাকখি। মদুনা মরম ওইরগা লূপ অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংবু এন আই এনা খ্বাইদগী পাম্না ফাগদবগী তান্নবা মীওইশিংগী লিষ্টতা মকোক ইথং থংনা লৈখি।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা লূপ অসিনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, নাগা পোলিটিকেল গ্রুপশিংগী মনুংদা চম্মন্বা পোকহনবগা লোয়নন্না নাকপাক তাহনবগী ফীভম লাক্লিবসি নাগা এন জি ওনচিংবা খরগী থৌইনশিন্দগীনি। মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরিবা নাগা লুচিংবা খরনা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা খুরৌ থাংবা ওইনা থোক্লে হায়নসু লূপ অসিনা ফোঙদোকখি।

য়ং ওংনা লুচিংবা এন এস সী এন-কে কাঙলুপনা নাগা মীয়ামগী মায়োক্তা লেপ্পুনা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকা নেসনৱাইদ সিজফায়র এগ্রীমেন্ট (এন সী এ) খুৎয়েক পীনখিবগী থৌওং অদুবুসু খাঙো কোনয়াকনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

নাগা এন জি ওগী খরগী মথক্তা অকনবা ৱাফম থল্লদুনা খাঙো ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

‘এদ্যুকেসন য়াওনা লম্ কয়াদা মীৎয়েং থম্বা মেনিফেষ্টো পুথোক্লগনি’

মণিপুরগী এম পি সীট অনীমক কোংগ্রেসনা শোয়দনা ফংগনি : টি এন হাওকিপ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):

পার্লিয়ামেন্ট মীখলগা মরী লৈননা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৫ ফাওবদা এদ্যুকেসন য়াওনা লম্ কয়াদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বা কোংগ্রেস পার্টিগী মেনিফেষ্টো ২০১৯ পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না হান্নগী রাজ্য সভাগী এম পি প্রো. ভালচন্দ্র মুনগেকরনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা প্রো. ভালচন্দ্রনা হায়খি, সেন্টরদা এন দি এ লৈঙাক লাক্লবা মতুংদা এদ্যুকেসন সেক্টরদা ফীভম শোক্লিংঙাই ওইবা কয়া লাক্লি। লাক্কদৌরিবা এম পি ইলেক্সনগীদমক কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টো মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পুথোক্লবা হোৎনরি। মসিদা এদ্যুকেসন সেক্টর রিষ্ট্রকচর তৌনবা অমদি অফবা মায়কৈদা লাক্লবগী থৌরাং কয়াসু য়াওগনি। মহৈ-মশিনগী লম্ অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈ। এদ্যুকেসনগী লম্দা শোথরবা মফমশিংদা মহৈ-মশিন নীংথিনা তম্বা ঙমহনগদবা কাঙলোনশিংসু তঙাইফদনা পুথোকপা তাই।

কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টো অসিদা তোঙান-তোঙানবা টোপিক ৪১ রোম য়াওগনি। মসিগী মনুংদা এদ্যুকেসন সেক্টর অসিসু য়াম্না মরুওইবা শরুক অমা ওইনা য়াওগনি। মসিগীদমক ইম্ফালদা লাক্কুনা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়াগা উনদুনা ৱারী শানবনি। মহৈরোয় অমসুং ওজানচিংবা য়াওনা উনদুনা ৱারী শানখি। মহৈ-মশিনগী লম্দা খুমাং চাউশিনহন্নবা করি হাপ্পা য়াবগে হায়বদু কুপ্পা য়েংশিনগনি। পিপলস মেনিফেষ্টো ওইহন্নবা হোৎনরিবনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিন তম্বা মতমদা জোব ওরিয়েন্টেদ ওইবা মওং অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবসু লৈ।

এন দি এ লৈঙাক লাকখ্রবা মতুংদা দিমোনেটাইজেসন তৌখিবা অদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে। গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্সসু লৈঙাক অসিনা চৎনহল্লকখিবা অসিদা টেক্স সিষ্টেমদা অহোংবা কয়া লাকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীখল অসিদা মণিপুরগী সীট অনীমক কোংগ্রেসনা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈ। কেন্দিদেট লাউথোকপগী থবক অসিদি ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী মখাদা লৈ। কেন্দিদেটকী মতাংদা পনবদি খরা ঙনমল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এ আই সী সীগী রিছার্স দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি রানাজিৎ মুখর্জী অমদি এ আই সী সী রিছার্স দিপার্টমেন্ট অন্ধ্র প্রদেশকী ষ্টেট কোওর্দিনেটর ডা. মার্লাপুরি বিজয় চন্দ্রনসু শরুক য়াখি।

সী এমনা সঙাই ফেষ্টিবেলগী পায়খৎলিবা থবকশিং রিভিয়ু তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চেয়র লৌদুনা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৮গী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মীফম অমা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটকী কেবিনেট হোলদা পাঙথোকখ্রে। লোয়নন্না ফেষ্টিবেল অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমদি তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংসু সী এমনা রিভিয়ু তৌখ্রে।

মীফম অদুদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, টুরিজম সেক্রেটরি, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী দিরেক্টর, টুরিজম দিরেক্টর অমদি অৱাংবা থাক্কী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

অমরোমদা, সঙাই ফেষ্টিবেলদা ষ্টোল হাংনবগীদমক ওনলাইনদা এপ্লিকেসন পীশিল্লকখিবশিংগী দ্রো ওৎখিবগা লোয়নন্না ষ্টোল হাংবা য়াবা মীওইশিং খনখ্রে।

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৮ গী এগজিবিসন সব-কম্মিটিগী কনভিনরসু ওইরিবা দিরেক্টোরেট ওফ ট্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী দিরেক্টর সী অর্থর ৱোর্চুইয়োনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ তাবদা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটকী কেবিনেট হোলদা চীফ মিনিষ্টর, স্পিকর, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, চীফ সেক্রেটরি অমদি মরী লৈনবা ওফিসরশিং য়াওনা দ্রো ওৎখি।

ষ্টোল হাংনবগী অয়াবা ফংলবা মীওইশিংনা নবেম্বর ১৬ কী মমাঙদা ষ্টোল ফি পীশিল্লক্লবা খঙহল্লক্লি। কম্মর্সিএল ...*মখা লামায় ৩ কলম৬*

অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ : রেদ আর্মি, প্রিপাকনা কুমজা ১৯৭৯ দগী চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা *অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ*, ২০১৮ লমদমসিগী চীংমী-তম্মী মীয়ামগা লোয়নন্না মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে হায়না অথিংবা থমখ্রবা পিপলস রেভল্যুসনরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক)কী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী সেক্রেটরি ইনচার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নীংতম্বা, চাওখৎপা, মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্নুনা লমদমসিদা ঈং-তপ্পা, নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমা লিংনবা লিশাং শিংনা চথরক্লিবা নীংতম য়াওল লান্থেং অসিগীদমক থৱায়না পোম্থা পীখ্রবা লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী নিংশিং খুভমশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা লোয়নন্না মৈরা থান্দুনা

রেভোল্যুসনরি গন সেল্যুট পীবা অমসুং নুমিদাংগী মতমদা যুমথোঙ খুদিংদা মৈরা কৎপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

ইরৈবাক্কী মমল য়ান্নবা নুংশিজরবা ইরৈচাশিংনা ...*মখা লামায় ৩ কলম৪*

ট্রাফিক সিগ্নেল লাইটশিং নৌনা মথৌ তৌহন্ননবা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):

লাক্লিবা নবেম্বর ২১ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৮গী মাংওইননা ইম্ফালগী মরুওইবা মফমশিংদা য়ুংলিবা ট্রাফিক সিগ্নেল লাইটশিং নৌনা মথৌ তৌহন্ননবা লৈঙাক্কী য়াথং মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনখ্রে।

সন কম্পেনি হাইদ্রবাদকী টিম অমনা ঙসি হেদ পোষ্ট ওফিস ইম্ফালগী মমাংদা য়ুংলিবা ট্রাফিক সিগ্নেল লাইট নৌনা শেমজিন-শাজিনখিবগা লোয়নন্না ট্রাফিক সিগ্নেল লাইট অসি ট্রাইএল তৌবা ঙসিদগী হৌখ্রে।

কম্পেনি অদুগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, সঙাই ফেষ্টিবেলগী মাংওইননা ট্রাফিক সিগ্নেল লাইট সিষ্টেমশিং অসি শীজিন্নবা য়াবা ফীভমদা থম্নবা চেক তৌবনি। য়াদবা পার্টশিং শীন্দোক্লবা থৌরাং তৌরি। মখা তানসু ইম্ফালগী মরুওইবা মফম কয়াদা য়ুংলিবা ট্রাফিক সিগ্নেল লাইটশিংসু শেমজিন-শাজিনবগী থবক পায়খৎকদৌরি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নুপীলাল কমপ্লেক্স মমাংদা চৎলম্বা মীওই খরনা পাউচে অসিদা হায়খি, ট্রাফিক সিগ্নেল লাইট সিষ্টেম অসি ইম্ফালদসু নীংথিনা চৎনহনবা পাম্মী। মমাংথক্তসু ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা মওংদা তৌরল্লগা মপুং ফানা চৎনহনবা ঙমখিদ্রে। চহীসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেলগী য়েংলগা মতম খরখক্কী ওইনা চৎনহনবগী মতৌদি তৌহন্নীংদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ৮গী মনুংদা পাউচে অসিনা ৫ ফংলে

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

লাইশ্রম বিজয়

পুয়াম রোমেশ্বর

নাওরেম গ্যানন্দ

অসেম বেবিচা

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):

দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা তোঙান-তোঙানবা কেটগোরি ৮ দা চহীসিগী ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ পীনবা পাউমীশিংগী মিং লাউথোকপদা পাউচে অসিগী মঙা য়াওরে। চহী অসিগী ওইনা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা হুইয়েন লানপাউনা ওইরে।

দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা চহীসিগী ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ অসি লাক্লিবা নবেম্বর ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল প্রেস দেগী থৌরমদা লান্থোক্কনি। এৱার্দ অসি পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রবশিংগী মনুংদা য়াওরবা পাউচে অসিগী পাউমী মঙা অদুদি সিনিয়র রিপোর্টর লাইশ্রম বিজয়, সব-এদিটর পুয়াম রোমেশ্বর, সিনিয়র স্পোর্টস রিপোর্টর রত্নেশ্বরি গোশ্বামী, রিপোর্টর অসেম বেবিচা অমদি স্পেসল করেস্পোন্দেন্ট নাওরেম গ্যানন্দনি।

পব্লিক হেল্থ এন্দ হাইজিনগী লম্দা থোইদোক-হেন্দোকপা পাউ ইবগীদমক ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ফংলগদবা লাইশ্রম বিজয় থোংজু পার্ট-২ পেচু লম্পাক মনাক্তগীনি। মহাক্কী অপোকপগী মিংনা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম তম্ফা, অপোকপীগী মিংনা লৈখিদ্রবী তোম্বী কৌই। বিজয় লাইশ্রম মমাংদা ওজা ইন্দ্রমণি মেমোরিএল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০০৬, সেরাম মঙ্গি মেমোরিএল এৱার্দ ২০১৩, মণিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ (রুরেল রিপোর্টিং) ২০১৪, ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্টনা পীবা প্রোমিজিং রিপোর্টর এৱার্দ (ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন)২০১৭সু ফংখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি রিপোর্টিংগী লম্দা থোইদোক-হেন্দোকপা পাউইবগীদমক ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ফংলগদবা পুয়াম রোমেশ্বর খোংমন ময়াই লৈকায়দগীনি। মহাক্কী অপোকপগী মিংনা পুয়াম চন্দ্রসিং, অপোকপীগী মিংনা পুয়াম ওংবী মেমচা কৌই।

স্পোর্টস রিপোর্টিংদা থোইদোক-হেন্দোকপা পাউ ইবগীদমক ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ফংলগদবা রত্নেশ্বরি গোশ্বামী ৱাঙ্খৈ মৈহৌবম লৈরক্তগীনি। অপোকপগী মিং মেঘচন্দ্র গোশ্বামী, অপোকপীগী মিংনা গোশ্বামী ওংবী পিশকতোম্বী কৌই। মণিপুর স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট এসোসিএসননা পীবা বেষ্ট স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ১৯৯৩ অমদি কংলৈপাক্কী মৈরানা পীবা বেষ্ট ৱিমেন রিপোর্টরগী মনাসু ফংখ্রে।

রিপোর্টিং ওন ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেনগী লম্দা থোইদোক-হেন্দোকপা পাউ ইবগীদমক ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ফংলগদবা অসেম বেবিচা য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়দগীনি। মহাক অসেম প্রসান্ত কুমার অমসুং অসেম ওংবী নির্মালাগী মচানুপী ইতোন তোনবীনি। অসেম বেবিচা কুমজা ২০১৫ দা মণিপুর টুরিজম ফোরমনা পীবা মীদিয়া ফেলোশিপ এৱার্দ, কংলৈপাক্কী মৈরা পাউচেনা পীবা বেষ্ট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ (ৱিমেন) ২০১৪গী মনা ফংখি। ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেনগী কেটগোরিদা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৫সু ফংখ্রে অমদি আর কে সনাতোম্বা জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৬সু ফংখ্রে।

আর্ট এন্দ কলচরগী লম্দা থোইদোক-হেন্দোকপা পাউইবগীদমক ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ফংলগদবা নাওরেম গ্যানন্দ ককচীং ৱাইরি সেনাপটি লৈকায়, ককচীং দিষ্ট্রিক্টতগীনি। অপোকপগী মিংনা এন কৃষ্ণমোহোন, অপোকপীগী মিংনা নাওরেম ওংবী সনাহল কৌই। গ্যানন্দ নাওরেম মমাংদা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ (রুরেল রিপোর্টিং) ২০১৫ ফংখ্রে। ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ (ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন) ২০১৬ ফংখ্রে। লময়ানবা ইরাবত ওবজার্ভেসন মন্থ (এস এস য়ু এম, এম পি পি দি য়ু অমদি ষ্ট্রগল কম্মিটি মণিপুর)না স্পেসল কেটগোরি এৱার্দ ২০১৭ অমদি আর কে সনাতোম্বা মেমোরিএল ট্রষ্টনা পীবা আর কে সনাতোম্বা জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৮ সু ফংখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা চহীসিগী এৱার্দ পীনবা লাউথোকপদা য়াওরবা অতোপ্পা পাউমীশিং অমদি এদিটরদি, নেসনল ইন্টিগ্রেসন অমসুং কম্যুনেল হার্মোনিগী লম্দা পীবা বেষ্ট এদিটর এৱার্দনা পোক্লফম পাউচেগী এদিটর এ রোবিন্দ্রো, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা নহারোল থৌদাং পাউচেগী সব-এদিটর ক্ষেত্রিময়ুম মেঘজিৎ, রুরেল রিপোর্টিংদা পোক্লফম পাউচেগী রিপোর্টর বিজ্ঞাননি।

‘হেন্দলুম চাওখৎনবা পায়খৎপা স্কিমশিংগী কান্নবশিং ফিশাবীশিংদা ফংহন্নবা হোৎনরি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস):

গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হেন্দলুম চাওখৎনবগীদমক পায়খৎপা স্কিমশিংগী কান্নবা খুদিংমক লমদম অসিগী ফিশাবীশিংদা মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনরি হায়না মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ দেভলপমেন্ট কোওর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেন এস রাজেননা ফোঙদোকখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী লম্বোইখোংনাংখোংগী মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা চথরকখিবা মণিপুর ইন্টরনেসনল টেক্সটাইল এক্সপো (মণিটেক্স)কী শরুক অমা ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা হেন্দলুমস এন্দ টেক্সটাইলস স্কিমস দেগী থৌরমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এস রাজেননা হায়, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা লৈপাক অসিদা লৈরিবা ময়ুম মকৈ লৈজদবা, শুফম নোমফম লৈতবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা লায়রবা মীয়াম মরু ওইনা নুপীশিংগীদমক স্কিম কয়া লোঞ্চ তৌখ্রে। হায়রিবা স্কিমশিং অসি মণিপুরদসু খুদোংচাবশিং মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনরি। লোয়না হেন্দলুম অমসুং টেক্সটাইল চাওখৎনবগীদমক অখন্নবা স্কিমশিংগী খুদোংচবশিংসু ফংহন্নবা হোৎনরি।

মহাক্না হায়, মণিপুরদসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক অসি লাকপদগী লায়রবা মীয়ামগীদমক্তা হকথেংননা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং ফংহল্লি। শেল পুথোক্তুনা লায়েংবা ঙমদবশিংগী চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাংগী মখাদা লুপা লাখ ২গী খুদোংচাবা পীরি। লোয়নন্না তোঙান তোঙানবা শিনফমদা মশানা-মশাবু থবক পীজদুনা শেল তাল্লিবশিংনা হেন্না চাওখৎচনবগীদমক ষ্টার্টঅপ স্কিম পায়খত্তুনা চাদা ৩০ সবসিদি পীদুনা খুদোংচাবা পীরি।

হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফকী খুৎশা হৈরবশিংনা শাবা লমদম অসিগী ফিরোলশিং শীজিন্নবনা মপান লমদগী ফি লৈবদা চৎকদবা শেল কনবা ঙমগনি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

LOAN FACILITIES AVAILABLE
Machinery Loan
Two Wheeler Loan
Car/Commercial Light Vehicle Loan
TV Loan
Pension Loan
Service Loan
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung, Moirangkhom
B.O. MG.Avenue,Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on: www.imphalfinancesociety.in.
HL-B/5552/21/10-20/11

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫